# খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহ

## (মণিপুরগী শক্লাইরবা অইবা অসিগী ১২০ শুবা মপোক কুওনগা মরী লৈননা থৌরাংজবা)

**‘‘খ্বাইরাকপম চাউবা ... শৈরেং ৱারেং ইবতা নত্তনা মতম অদুদা অনেম্বা থাক্কী অঙাংশিংনা তম্নবা লাইরিক্তগীনা অৱাংবা থাক্কী হায়স্কুল, কলেজনচিংবা (মতম অদুগী কলিকা বিশ্বীবদ্যালয়) ফাওবদা তম্নবগী টেক্স বুক কয়া অমসু ইদবা য়াদবদগী ইবগী অরুম্বা থৌদাং কয়া অমসু লৌবা তাখি। অসুম্না জাতি অসিগী খ্বাইদগী হেন্না চিরবা মতাংদা, মীরৈবাক্কী মীমাঙদা চোপ্পা তারবদা, জাতি অসিবু কনখিবা ... ঐখোয়না কাউবা চুমদে। মখোয়দা ঐখোয়গী খ্বাইদগী ৱাংবা ইকায় খুম্নবা সন্মান উৎফম থোকই।’’**

*— থোকচোম যোগেন্দ্র সিংহ*



‘‘লায়ররবী ইরোন্নি
খঙদবনা হায়বনি,
মৈতৈ কবি লাকখিনি।’’

মীরোল কয়াগী মমাঙদগী চীন্থাং য়ৈদুনা লাক্লবা ৱাহৈপরেং খরসি, চুম্নগী ৱাহৈ পরেং নত্তে। শৈরেংনি। লমদমসিগী শক্লাইরবা অশৈবা অমনা ইরম্বা য়াম্নমক ৱাহন লৈখ্রবা, ঙসিগী মীরোলসিনফাও ৱাহন পীবদা লোইবা নাইদ্রিবা শৈরেং মতেক অমনি।

শৈরেং মতেক অসিবু ইবিরম্বা লমদমসিগী শক্লাইরবা অশৈবা খ্বাইরাকপম চাউবা সিংহগী ১২০ শুবা মপোক কুমওন য়ৌরক্লে। অশৈবা অসি কুমজা ১৮৯৬কী ঙসিগী নুমিৎ হায়বদি জন্যুৱারী ২৩দা উরিপোক সোর্বোন থিঙেল লৈকাই, ইম্ফালদা পোকখিবনি। অপোকপা মুক্তা অমসুং অপোকপী থাবলৈমাগী ইতোন তোনবা মচানি। মথক্তা লৈরম্বা মচে অমগাময়াম্বা তরুক্কদি অকনবা লাইচৎ অমনা মরম ওইরগা ঙল্লিবৈঁদা লৈখিদে। ইকোন কোনবদা চাউবগা মচে ইবেচাউবীগা লৈহৌখি। চাউবগী মিংসু ইবোচাউবা হায়না মিংথোনখিবনি অদুবু মীয়াম্না চাউবা হায়না কৌনখিবনি। চাউবনা চহী মঙামুক শুরকপা মতমদা অপোকপা লৈখিদে। মসিগী অৱাৎপা অহোবা অসি চাউবগী অপোকপীনা লৈহনখিদে হায়নৈ। মশামক্লা ওজা ওইদুনা মতমদুগী চৎনবী অমা ওইনা তৌনরম্বা নিত্যাচার তন্বীবগী থৌদাং লৌখি। মতৌ অসুম তৌনা চাউববু কদাইদা করিদা শোইখিগদগে হায়দুনা অপোকপী মমানা য়াম্না কুপ্না শেন্নদুনা লাকখি। হায়রিবা মতম অসি মণিপুরদা মহৈ-মশিন তম্বগী মতাংদা অচৌবা অহোংবা অমা লাকপা মতমনি। চাউবনা মহৈ-মশিনদা থৱায় য়াওবা উবদা অপোকপী মমানা মচাবু মহৈশঙদা থাদুনা মহৈ তমহনগে হায়না খনখি। অসুম্না লৈরিঙৈদা চাউবনা লোন্না মমা খঙহন্দনা থাংমৈবন্দ এল পি স্কুলদা লাইরিক তম্বা হৌখি। স্কুলসিগী হেদ মাষ্টর চোংথাম বোরোনা চাউবগী মমাদা হায়রকপদগী মিং চন্দুনা তম্বা হৌখি। হায়রিবা স্কুল অসিগী মতুংদা জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস ফাইভতা মখা তানা অমুক তমথখি। অফবা মহৈরোয় অমা ওইবনা চাউবা থা খুদিংগী ‘ছাত্র বৃত্তি’( হৌজিক্কী মন্থলি স্কোলারশিপকুম্বা) ফংই। জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস নাইন ফাওবা তম্লবা মতাংদা ক্লাস টেন তম্নবগীদমক মশাগী চহী ২২মুক শুরকপদা কুমজা ১৯১৭তা শিলংগী গভর্নমেন্ট স্কুলদা চৎলি। কুমজা ১৯১৮দা পাঙথোকখিবা মেত্রিক পরিক্ষাদা ফাষ্ট ডিভিজন্দা পাস তৌখি। মসিগী মখা তাবদদি চাউবগী ইমুং-মনুংগী ফীভম ফত্তবা, মশা ঙম্লক্তবা কয়ানা মরম ওইদুনা মহাক মখা তানা মহৈ তমথবা ঙমখিদে। তমথখিদ্রে।

কুমজা ১৯১৯দা বঙ্গালি হায়স্কুলদা ওজা ওইনা থবক চংখি। স্কুলসিদা চহী ১০মুক ওজা ওইরম্লবা মতুংদা জোনষ্টোন স্কুলদা অমুক ওজা ওইখি। স্কুলসিদা ওজা ওইনা লৈরিঙৈ মশাগী চহী ৫৫ শুরকপা মতম হায়বদি কুমজা ১৯৫০গী ওক্টোবর ৯দা তাইবঙপান থাদোকখি। চাউবা কুমজা ১৯১৮দা থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকাইদগী খুমন্থেম ইবেমহল (প্রীয়ালৈমা)গা লুহোংদুনা মচা নিপালগী মপা ওইখি। মচা নিপালসিগী মনুংদা মচা নিংঙোলনা তরেৎনি। অদুগা মচা পীবানা অমখক্তনি।

অশৈবা অসিনা শিলংদা মহৈ তমদুনা লৈরিঙৈ মতমদগী ইবগী লম্বীদা খোঙদাবা হৌখি। কুমজা ১৯১৭তা ‘ঈশ্বর’ হায়না মিংথোনবা শৈরেং অমা ইখি। অসুম্না ক্লাস নাইন তম্লিঙৈ মতমদগী ইবগী লমদা খোঙদাবা হৌরকখিবা অশৈবা অসিগী ফোঙলবা লাইরিকশিংদি-

শৈরেং খক্তগী লাইরিক - *থাইনগী লৈরাং*, ১৯৩৩।

শৈরেং অমসুং ৱারেং অনী পুনশিনবা লাইরিক- ১) *ছাত্রমতা*, ১৯২৩ ( শৈরেং ৯ অমসুং ৱারেং ১৪ য়াওবা), ২) *কান্নবা ৱা*, ১৯২৪ ( শৈরেং ১০ অমসুং ৱারেং ২১ য়াওবা) ।

ৱারেংখক্তগী খোমজিনবা লাইরিক- ১) *ৱাখল*, ১৯২৭; ২) *ফিদম*, ১৯২৭ অমসুং ৩) ৱাখলগী ইচেল।

নোভেলদা- *লবঙ্গ-লতা*, ১৯৩৪নচিংবা পনবা য়াই।

অশৈবা অসিগী খুৎই ওইনা লৈবা ফোঙদোক্ত্রিবা মখল কয়াগী লাইরিকসু লৈহৌরি। মসি হৌজিকফাওবসু ফোঙদোকপগী ৱাফমদি থেঙনজদ্রি।

অশৈবা অসি লাইরিক ইবা, ওজা অমা ওইনা মহৈরোয়দা তাকপী তন্বীবতা নত্তনা কুমজা ১৯৪৮দা *জ্যোতি* অমসুং মথংদা *মিংনাইদবী* হায়রিবা চেফোঙ অনী অসিগীসু এদিটর ওইদুনা তোঙান তোঙানবা অইবা/বী কয়াবুসু পুথোক্লবা অমদি চাউখৎনবসু কন্না হোৎনরমখি। অসিগীসু মথক্তা ঙসিগী মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ লিংখৎপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরমখি।

অইবা অসিনা লৈখিদ্রবা মতুং মহাক মশামক্লা য়াওজরম্বা সাহিত্য পরিষদনা ‘সাহিত্যরত্ন’ হায়বা মিংথোন অসি পীদুনা ইকায়-খুম্নখি।

অশৈবা অসিগী মতিক-ময়াইসু কুইর-কুইরগা হেনগৎলক্লি। অদুবু মহাক্কুম্লবা শক্লাইরবা লমদমসিগী অইবা/বীশিংগীদমক্তদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী করিগুম্বা নীংশিং থৌরম পাঙথোকপগী ৱাখলদি তাবা উদ্রি।।

---

## জাতক্কী শৈরোল

**মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা**

### তৌবীমল খঙদবা দণ্ডি পীবা

ব্রহ্মদত্ত নিংথৌগী মচা তরেৎ লৈরম্মী;
বোধিসত্ব অহন্নি মখাদা তরুক তারম্মী।
মচীল মনাউ তরেৎনা চাউরক্লবা মতমদা,
মাবু হাৎখিগদরা চিংনৈ নিংথৌ পূক্নিংদা।
মরম’দুনা নিংথৌনা তাম্থোক্লে মখোয়বু;
নুপী নুপী পুদুনা লাক্লে উমং কোয়নবু।
চানিংঙাইবু লৈরক্ত নুপী তরুক হাত্তুনা;
মথং মথং চারকপা বোধিসত্ব কৌবনা,
খরা খরা থমজিনখি মতৈ মনাউ শরুক্ত’ই;
মদু পুথোকচদুনা কনখি নুপী শিবদ’ই।
নোংমা অহিং অথেঙবা মনাউশিং তূম্লিঙৈ,
বোধিসত্ব নুপীগা চেনখি তাঞ্জা ফংলিঙৈ।
খৌরাংবনা চরমফুল ঈশিং থক্লে হায়রকপা;
খূকউ থাঙনা লেল্লগা নুপীদবু পীথকপা,
অৱা কয়া খাঙমিন্ন মথং মথং লাকপনি;
থৌজাল নোংজু ওইদুনা বোধিসত্ব চুবনি।
নোংমা তুরেল মনুংদ’ই নুপা অমা খুল্লকখি;
বোধিসত্ব চুমচৎপা মাবু লায়কন্নরকখি।
মিতম্বান্দো মতুংদা মাগী নুপী’ই মরুম্বী
ওইখি চৎখি শারমচৎ অদুক থাজ’ লৈরম্বী।
মৱাদুবু হাৎকেখন নত্ত-ওইদ হায়জিল্লে;
য়াইফনবা চীংনিংথৌ খুরুমসিবু তকশিল্লে,
বোধিসত্ব চুমচৎপা করি খনবা তৌদনা,
ইনখি হায়বা নুপীনা চিংনববু লৈতনা।
চীংচেপ্তবু লেপহল্ল’ মাগী নুপী লৌখিবী,
নুপা’ই তুংদা-খুরুম’শা লককেৎনবী ওক্তবী,
নুপাদুবু ইন্থখি খঙহৌদনা চীংখাদা।
মচেঙ্ লৈবা বোধিসত্ব থৈবোঙদবু পন্দুনা,
থৱায় মঙা হিংজখি করি থোইদোক তৌদনা।
থৈবোঙদুদা চাক্তাবা লিন নিংথৌ অমগা,
মরূপ ওইবা ফংজখি নাগ নিংথৌ অদুগা।
লিন নিংথৌ মতেংদ’ই বরানসী য়ৌরকখি;
মপা শির’ মতুংদা মানা নিংথৌ ওইরকখি।
অশোমদনা কমদৌরি মাগী নুপী ওক্তবী,
মরুম্বীদি অনাবা পুরদুনা ফত্তবী,
শোবু কোয়নি নিদুনা থাকখি নুপা অদুবু;
ময়ামদদি মালহল্লি মৱা নীংবা মতৌবু।
দান ধর্ম্ম তৌরিবা বরানসী নিংথৌগী,
মপাউবুদি তাবদা দানবু লৌরুনবগী,
থুম্মোক অম’ই মনুংদা মরুম্বীদু হাপচিল্ল’
লাক্লে লমচৎ-নাইদবী কোক্তা থুম্মোক থোঙ্গৎল’।
অদুম অসুম লাকপদনা নিংথৌগবু উনখি;
নুপীনদি খঙলমদে নিংথৌনদি শকখঙখি।
অশাউ খাম্বী মৈৱায়না ওক্তবীদু চৈরকখি;
দান পীবা হায়রুনু মরৈবাক্ত’ই তাম্থোকখি।।

---

## অঙাংশিংগী মশান্না

**মংশাতাবম চনু নলিনী**

### লাইফদিবী শান্নবা



লাইফদিবী শান্নবা হায়বা মশান্না অসি মৈতৈ অঙাংশিংনা মহৌশাদগী হৌনা শান্নরকপা মশান্না মখল অমনি। মশান্না অসি চাউরাক্লা চহী তরুক্তগী তরাফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংনা শান্নৈ। মসিদগী হেন্না পীকপা অমসুং চাউবা অঙাংশিংসু মশান্না অসি করি-করিগুম্বা মতমদা শান্নৈ। অঙাংশিংনা মশান্না অসি নুংথিল অমসুং নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা শঙ্গোয় অমদি মাঙ্গোলনচিংবদা নুপীমচা অহুম-মরিরোম্না পূন্না শান্নমিন্নৈ। নুপীমচাশিংনা মশান্না অসি য়াম্না পাম্না শান্নবা মশান্না মখল অমনি। নুপীমচাশিংনা য়াম্না পাম্না শান্নরিবা লাইফদিবী হায়রিবা শান্নপোৎ অসি মী অমগী মতৌগুম্না চপ মান্ননা ফি মচেৎ মচেৎ ময়াম্না য়োমদুনা শাবনি। লাইফদিবী অসি ফি মচেৎ মকায়না মনুংদা হাপ্লগা মথক্তা ফি মচেৎ অমনা অমুক য়োমশিন্দুনা মী অমগী মতৌগুম্না মমায়-মমীৎ, মনাতোন, মচীন, মখূৎ, মশম অমসুং মখোঙনচিংবা কয়াসু য়েত্তুম্না ফোৎচিন্দুনা পাল্লগা অঙাংশিংনা শান্নৈ। লাইফদিবীগী মশম্না লং অমুবা নৎত্রগা লফূ চনাংনা কূপ্না কূপ্না শেম্মী। শম্না হায়রবদা লাইফদিবী হায়বা শান্নপোৎ অসি তাইবং মীওইবগী শকওং শবানগা চপমান্ননা ফি মচেৎ মকায়না য়োমদুনা শেম্বনি। অঙাংশিংনা লাইফদিবী শান্নবগী মওং অসি য়ূম অমা পানবগী মওংগা চপ মান্ননা শান্নৈ। শান্নগদৌরিবা অঙাংশিং অদুনা মাগী মাগী লাইফদিবীশিং অদু ঙারুবাক নৎত্রগা খোঙউপ হাপ্পা বোক্সনচিংবদা হাপ্তুনা পুনরল্লগা মাঙ্গোল নৎত্রগা শঙ্গোয়গী মচী অমদা শেমদুনা থম্নে। মখোয়না তৌহন্নীংলিবশিং অদু লাইফদিবীদা চপ চানা তৌহল্লি। অঙাংশিংনা লাইফদিবীগী ফমুংনি হায়দুনা ফান, ঙারুবাক অমসুং বোক্সনচিংবগী মথক্তা ফিনা কূপ্তুনা শেম্মী। ময়াম্না ফম্নবা ফালসু ফিনা ফজনা কূপ্তুনা থম্মী লোয়ননা ফি হাপ্নবা উপুনা চুরুপ উপু নৎত্রগা মৈখৈৎ উপুনা ওই। মখোয়না ইমুং অমমমগী মওং লৌনদুনা লুহোংবা, ষষ্ঠি পূজা, ওফিস কাবনচিংবা মীওইবনা চৎনরিবা থবক থৌরমশিংগী মওং-মতৌ চপ চানা তমদুনা শান্নৈ। অঙাংশিংনা মখোয় মশা মশানা তৌহন্নীংলিবা পূম্নমক মশামক্কি খন্না ৱা ঙাঙহল্লি, কপহল্লি, নোকহল্লি, থবক শূহল্লি, ফমহল্লি, চৎহল্লি লোয়ননা ফজ ফজরবা ফিরোলনচিংবা শেত্তুনা পামজবা মওংদা শান্নৈ। মতৌ অসুম্না অঙাংশিংনা মশান্না অসি শান্নরিঙৈ মনুংদা মখোয় মশামক অসি অঙাংনি খন্না শান্নদে মপূং ফারবা মীওই অমমমনি খল্লগা শান্নৈ। নুপীমচাশিংনা লাইফদিবী অসি শান্নবা লোইরবা মতুংদা লাইফদিবীশিং অদু হান্না হাপ্লকপা ঙারুবাক নৎত্রগা বোক্সতুদা ফমুং ফজনা শেম্বিরগা হীপহল্লগা মওং তানা মফম চানা ইমুংদা অমুক পুশিন্দুনা থম্বী।

লাইফদিবী অসি নুমিদাংগী মতমদা শান্নরবা নৎত্রগা মফম চানা থম্বিদ্রবদি লাইফদিবীনা নুমিদাংদা লফূ মখোঙদা চত্তুনা কপ্পী হায়না অহল-লমনশিংনা হায়বদগী অঙাংশিংনা লাইফদিবীবু য়াম্না কিনা লুনা লৌনরম্মী। মরম অসি লৈবদগী অঙাংশিংনা নুমিদাংগী মতমদা লাইফদিবী শান্নদে অমদি শান্নবা লোইরবা মতুংদা মফম চানা থম্মী। অঙাংশিংনা লাইফদিবীবু মফম চাদনা হুন্দোক্লদে মখোয়না অমুক হন্না শান্নররোই খল্লবদি লফূ মখোঙদা ফুম্নরম্মী।

মশান্না অসি অঙাংশিংনা শান্নবদা অহল লমনশিংনা অথিংবা পীদে। লাইফদিবী শান্নবা অসিগা অঙাংশিংনা তুংদা ওইরক্কদবা কূপ্লবা য়ূম্বাল্লোন খঙবদা য়াম্না লায়না থোকহল্লি। লাইফদিবী শান্নবা হায়বা মশান্না অসি শান্নবদা অঙাংশিংনা ফম্লগা শান্নৈ।।

---

## মণিপুরী পাউরৌ

**লোইতোংবম বীরজিতা দেবী**

### ৱাইনগনবা ষণ লুকোকই

পাউরৌ অসিগী মপান্থোংগী ওইবা অর্থদি য়াম্না ৱাইগনবা ষণদি ঙাইহাক লৈতনা অমগা অমগা ৱাইনবদগী মচী হৌফম অদু কোক্তুনা লৈ। মসিনা ষণদুগী মশক মতৌ থীহন্দুনা ফজদবা ওইহল্লি। মসিগী ষণসিদি জাৎ থীবা ৱাইনগনবা ষণনি হায়বদসু মশক তাকই। পাউরৌ অসিগা লোয়নরিবা ৱাখল্লোন্দি, ৱাইনগনবা ষণনা মরু কোকপগুম তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়সু য়াম্না খৎনগনবা, শাউনগনবা মীওইশিংদি মরল-মথুম তুংবা ঙমদবতা নত্তনা চিশিল্লক্লবা মতমদা মাগী মী লৈগনদে। মীনসু মাদি মী য়াম্না খৎনগনবা ফত্তবা মীওইনি হায়দুনা নুংশিনদে। মী তোয়না খৎনমল্লবসু মরল-মথুম তিংদুনা অরেম্বদা চৎখিদুনা শেল-থুম তুংহৌদে। অসিদসু নত্তনা অমরোমদা মীওইবা হায়বসি অমগা অমগা নুংশি-চান্ননা লৈমিন্নবনা অফবা, অরেম্বা অমদি ফজবা ওই হায়বা পাউতাকসু পাউরৌ অসিনা পী।

— — –

### লনবুদি মহৈনা হেল্লি

তাইবঙ মীওইবনা নুংঙাইনা লৈননবা লন-থুম য়াম্না তান্নৈ। কনাগুম্বদি মহৈ তম্ববুদি লন্না হেন্না ৱাংনা খনবসু লৈ। অদুবু লন-থুম হায়বসিদি করিগুম্বা মতাংদা খুদোংথিবা অমা থেংনবদা শীজিন্নথোকখিবা নৎত্রগা পৈদুনা লৈবা লনগৈ ওইরবসু নোংম-নোংমগী শীজিন্নবদগী শোয়দনা লোইবা নাইরক্কনি। অদুম্না লন্দুনা লৈরক্ত্রবা মতমদুদদি লনগী মপু ওইরম্বদু চরা হেনবনচিংবা অৱাবা কয়া খাঙবা তারক্কনি। অদুবু মহৈ মতিক চানা হৈরবা মীওই অমনদি হেন্দোক-থোইদোকপা লনগী মপু ওইরুদ্রবসু হিংলিবমখৈদি মহৈদুগী মপান্না চাবা থকপা ৱাৎতনা হিংবফাওবদি ঙমনি হায়বদু পাউরৌসিনা উৎলি। অমরোমদা, পাউরৌসিগা লোয়নরিবা ৱাখল্লোন্দি, মীওইবনা মহৈ হৈনবা হোৎনগদবনি। মহৈ হৈরবদি পূম্নমক ফংবা ঙম্মী। লন হায়বসিদি লোইবা নাইবনিনা লোইখিবা নুমিত্তা মীদু ৱাহৌই হায়বদু তাকই। পাউরৌ অসিনা খুন্নাই অমগী মীওইবশিংবু লন্দা মীহৌবগী ৱাখল থাদোকহন্দুনা অফবা অচুম্বা লম্বীদা পুরকপদা চাউরবা থৌদাং লৌরি।

———

### নূংদা ঈশিং চাইবা পেক্তে

নূং হায়বসিদি ঈশিং ফনা চাইরবসু পেখোকপা হায়বসি ওইথোক্তে। অসুম্মক কনশিন্দুনা হান্নগী ফীভমদুদা অদুম্মক লেঙদনা লৈ। মতৌ অসুম্না থম্মোয় কনবা মীনুংশি য়াওদবা মীওইদদি ফনা নুংশিনা লৈশি লৈথোল্লবসু হান্নগী কনশিনখ্রবা থম্মোয়দুদগী হোংদোরক্তে হায়বগী মতাংদা পাউরৌ অসিবু প্রমান তৌরগা হায়ন-শক্লে। কনাগুম্বনা ৱাফম অমদা য়ুংনা লেপখ্রবা অমসুং মদুদগী হোংঙু য়াদ্রবা মতাংদসু পাউরৌ অসি শীজিন্নৈ।।